**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 12-02-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ফিফতি সভেন মাউন্টেন দিভিজনগী জেনেরেল কম্মান্দিং ওফিসার, মেজর জেনেরেল সুভানকর বাসুগা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা উন্নদুনা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভমগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুন্ববগী থবক চত্থবদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৮ ফারে।

অমসুং

৩) শেল থুম মন্ত্রি নিরমলা সিতারমন্না হায়রি- হন্দক্কী কেন্দ্রগী বজেৎ অসিদা লেবর ইন্তেন্সিভ সেক্তরদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা নহা কয়ামরুম থবক পীনবা হোৎনরি।

------

সিএম (এল)ঃ ফিফতি সভেন মাউন্টেন দিভিজনগী জেনেরেল কম্মান্দিং ওফিসার, মেজর জেনেরেল সুভানকর বাসুগা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা মুখ্য মন্ত্রিগী ওফিসতা ঙরাং উন্নখ্রে। উন্নখিবা অদুদা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভমগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

উখ্রুল জিলাগী লিতানদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম মতৌ করমা লাকশিনগদগে হায়বগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রিগা মেজর জেনেরেল ৱাফম কয়া খন্নখি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফিভম অদু লাকশিন্নবা লৌখৎলিবা থৌরাং কয়া মেজর জেনেরেলনা মুখ্য মন্ত্রিদা মরিক চুমা পাউদমখি। মফম অদুদা মহৌশাগী

ফিভম হঞ্জিনহন্নবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা সেক্যুরিতি ফোর্সকা পুন্না থবক পায়খৎমিন্নবগী মতাংদসু পনখি।

রোড (এল)ঃ লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লিবা নেসনেল রোড সেফতি মন্থ লোইশিনবগী থৌরম মণিপুরদসু ঙসি পাঙথোক্কনি। রাজ্যগী ত্রান্সপোর্ট বিভাগনা শিনদুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ, উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখো, মন্ত্রিশিং- গোবিনদাস কোন্থৌজম অমসুং খুরাইজম লোকেন সিংহ, চীফ সেক্রেটরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়ল অমদি এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেটরি ত্রান্সপোর্ট অনুরাগ ভাজপায় শরুক য়াগনি।

থৌরম অসিদা রাজ্য ত্রাফিক পুলিস এন্দ মোটোর ভেহিকল ইন্সপেক্তরশিংদা রোড সেফতিগী ইক্যুপমেন্টশিং খুৎশিন্নগনি। লোয়ননা মণিপুর হেলি সার্ভিস পোর্তেলসু হাংদোক্কনি। তুংদা রোড সেফতিগা মরী লৈননা ত্রান্সপোর্ট বিভাগনা পাঙথোকখিবা লমশাং লমজেল অমসুং লাইয়েকপা চাংদমবদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম পীদুনা পুকিং থৌগৎকনি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুন্বগী থবক চত্থবদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৮ ফারে।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা খাবী মমাং লৈকাইদগী মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা কে.সি.পি (অপুনবা)গী মীওই অনি ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই কোংপাল চীংঙাংবম লৈকাইদগী কে.সি.পি (অপুনবা)গী এক্তিভ কাদর অমসু ফাখি।

জিলা অসিগী চাইরেল থোং মনাক্তা লৈবা খুরাই লাইশ্রম লৈকাইদগীসু লুপ অসিগী এক্তিভ কাদর অমসু ফাখি। মঙোনদগী মেগজিন য়াওবা এম-ত্বেন্তি পিষ্টোল অমসু ফংলে হায়রি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ললাম্বুং তখেল্লম্বম লৈকাই

বোম থমজিল্লম্বগী থৌদোক্তা চেন্নবা কে.সি.পি (অপুনবা)গী এক্তিভ কাদর অমা থাংমৈবন্দ হিজম লৈকাইদা লৈবা মশাগী ময়ুমদগী ফাখি।

অমরোমদা, তেংনৌপল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা মোইরাংথেল ভিলেজদগী কে.ৱাই.কে.এলগী এক্তিভ কাদর অহুম ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎখি।

সোসিয়েল (এল)ঃ নেসনেল পেন্সন স্কিম, ষ্টেট পেন্সন স্কিম অমদি ৱিদো পেন্সন স্কিম অপদেট তৌবগী থৌরম লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

নীংশিংবা য়াই, পেন্সন স্কিমশিং অসিগী বেনিফিসরিশিংনা মশা মশাগী পেন্সন কার্দশিং অপদেট তৌদ্রবদি কল্লুগনি হায়না জিলা অসিগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসারনা চেরোল অমা থোকখিবা লৈখ্রবনি।

ষ্ট্রাইক (এল)ঃ ওল ইন্দিয়া ত্রেদ যুনিয়ন কংগ্রেস, ত্রেদ যুনিয়নশিং অমসুং লৌমী লুপশিংনা তোঙান তোঙানবা দাবীশিং তকশিন্দুনা ঙসি লৈবাক শিনবা থুংনা জেনেরেল ষ্ট্রাইক কৌরি। মখোয়গী দাবীশিং অদুগী মনুংদা লেবর কোদ মরিমক হন্দোক্কদবনি, এম.জি নরেগাবু অতোপ্পনা মহুৎ শিনবা য়ারোই, ৱার্করশিংগী হক ফংহল্লু, অঙ্গনৱাদি, আশা অমদি মিদ ডে মিল স্কিমশিংগী ৱার্করশিং সরকারগী কর্ম্মচারি ওইনাা শক খঙউ, নেসনেল হাইৱেশিংদা অয়েৎ অপন য়াওদনা চৎপা য়াহল্লু, রাজনীতিগী ওইবা ৱারী শান্নদুনা মণিপুরগী ইরাং লোইশিল্লু হায়বনচিংবা য়াওরি।

লৈবাক শিনবা থুংনা চত্থরিবা জেনেরেল ষ্ট্রাইক অসি মণিপুর গভর্নমেন্ট সার্ভিসেস ফেদরেসননসু শৌগৎলি হায়রি। কর্ম্মচারিশিংগী পীথোক্তনা লৈরিবা চাদা ১৮ দি.এ-দি.আর পীথোকপীয়ু, ৮ শুবা পে কম্মিসনগী তলব মণিপুরদসু চৎনহন্নবা থবক পায়খৎলু, থবক্তগী পোত্থাবগী মতম চহি ৬০ দগী ৬২ দা হেনগৎহল্লু, কর্ম্মচারিশিংগী ওল্ড পেন্সন সিষ্টেম মখা তানা চৎনহল্লু হায়বা দাবী কয়াসু য়াওরি।

রিমস (এল)ঃ  চাইল্ড ৱেলনেস এন্দ ওপতিজম ক্লিনিক শঙ্গাবগী থৌরম ঙসি রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ সাইকিয়াত্রিদা পাঙথোক্লগনি। শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা রিমসকী দাইরেক্তর প্রোফেসার জি. শুনিলকুমার শর্ম্মা, ষ্টেট হেলথ মিসনগী দাইরেক্তর ডাঃ এম. দিনেশ সিংহ্ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী সি.এম.ও ডাঃ এল. দয়াবতি শরুক য়াগনি।

এৱারনেস (এল)ঃ  ইম্ফাল ইষ্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসার অমদি আই.সি.দি.এসকী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসারনা পুন্না খুৎশমদুনা মেন্সচুরেল হাইজিন অমসুং নোন-কম্ম্যুনিকেবল দিজিজগী মতাংদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহন্নবগী থৌরম অমা আনন্দ সিংহ্ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

সদভবনা (এল)ঃ  ওপরেসন সদভনাগী মনুং চন্না অসাম রাইফলসনা চুরাচান্দপুর জিলাগী হোপ বেপটিষ্ট একাদমিদা কম্প্যুটরশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখে। থৌরম অদুদা পুন্না মহৈরোই ৩০০ লোম শরুক য়াখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা রাজ্য অসিদা শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগৎহন্নবগী পান্দমদা সেনাপতি অমদি কাংপোকপী জিলাদা লৈবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগা ৱারী শান্নখ্রে।

মীফম (এল)ঃ  মণিপুর ষ্টেট স্পোর্টস পোলিসিদা হকচাংগী ফিভমদা মীমান্নদ্রবশিংগী অখন্নবা স্পোর্টস হাপচিন্নবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙসি হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি। মীফম অসি রাজ্যগী ষ্টেট কম্মিসনার ফোর পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজ, য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস বিভাগ অমসুং দিসএবিলিতি সেক্তরদা থবক তৌরিবা এন.জি.ওশিংগা খুৎশম রগা পাঙথোক্কদবনি।

নিরমালা ঃ শেল থুম মন্ত্রি নিরমলা সিতারমন্না হায়রি- হন্দক্কী কেন্দ্রগী বজেৎ অসিদা লেবর ইন্তেন্সিভ সেক্তরদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা নহা কয়ামরুম থবক

পীনবা হোৎনরি। লোক সভাদা ঙরাং কেন্দ্রগী বজেৎকী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী পাউখুম পীরদুনা মন্ত্রিনা হায়- হন্দক্কী বজেৎ অসিদা পাব্লিক কেপিতেল এক্সপেন্দিচরদা অহেনবা শেনফম লুপা কোতি লাখ ১২ হাপলে। মসি জি.দি.পিগী চাদা ৩.১ গী চাংনি। মমাংগী বজেৎতগী চাদা ১১.৫ হেনগৎলে। মসিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর হেন্না শেমগৎনবা পান্দম থল্লি।

বজেৎ অসিদা নহাশিংগী থবক পীবগী ৱাফম কা হেন্না য়াওদে হায়বা বিরোধিগী ৱাফমশিং য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়- হন্দক্কী বজেৎ অসিদা নহা কয়ামরুম থবক পীবা ঙমনবা অখন্নবা থৌরাং কয়া য়াওরি। লৈবাক অসিদা মেদিকেল তুরিজম য়োকখৎনবগীদমক রিজনেল মেদিকেল হব ৫ শেমগৎনবা ৱাফম য়াওরি। মসিদা নত্তনা এনিমেসন, ভিজ়্যেল ইফেক্স, গেম্মিং এন্দ কোমিক্স সেক্তরদা অহেনবা শেনফম কাইথোক্লিবা অসিনা লাক্কদৌরিবা চহি খরা অসিদা লৈবাক অসিগী নহা কয়ামরুম থবক পীবা ঙমগনি হায়নসু মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

লো ঃ  ইন্দষ্ট্রিয়েল রিলেসন্স কোদ ২০২০ শেমদোক শাদোকবা বিল লোক সভাদা ঙরাং পুথোকখ্রে। বিল অদু কেন্দ্রগী লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রি মন্সুখ মন্দাভিয়ানা পুথোকখিবনি। বিল অসিনা হান্না লৈরম্বা ত্রেদ য়ুনিয়ন্স এক্ট ১৯২৬, ইন্দষ্ট্রিয়েল ইমপ্লোইমেন্ট ষ্টেন্দিং ওর্দরস এক্ট ১৯৪৬ অমসুং ইন্দষ্ট্রিয়েল দিস্প্যুট এক্ট ১৯৪৭ কী মহুৎ শিল্লগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চীফ মিনিষ্টরনা জিরিবামদা চৎলগা মীতৈ অমসুং মারগী মীহুৎশিং উন্নদুনা ইং তপ্পা পুরকবগী পাউজেল পীখ্রে হায়বা পাউনা পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসন, সনালৈবাক, তমেংলোং টাইমস, মণিপুর মেল, নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি, হুইয়েন লানপাউদনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ভিয়েটনাম টুরগীদমক মীওই ৩০ না শাবা পাউমী টিম ঙরাং মুখ্য মন্ত্রি য়ুম াম খেমচান্দনা লমথাখ্রে হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরি।

রেভিন্যু দিপার্টমেন্ট করপসনগী মকোন ওইরে, দোক্কুমেন্ট তান্নবদা কাংলোন কায়না শেল লৌরিবসি য়েংশিন্নবা তকশিল্লকখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাংগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

কাংলুপ খুদিংমকা ইং তপ্পা পুরকবা হোৎনমিন্নশি হায়না গোবিনদাস কোন্থৌজমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা সনালৈবাক্কী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

রেজিদ পেভমেন্টতা সেফতি মেজর থৌওইদ্রে, চীফ ইঞ্জিনিয়ারগী য়াথং কন্ট্রেক্তরনা ইন্দে হায়বা পাউ অমসুং শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

সেসন হৌরবসু বোসেমনা টেক্সবুকশিং শুনা ফংহনদ্রিঙৈদা লাইরিক পুরক্তবা মহৈরোইশিং ওজানা চৈরাক পীরে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

শান্তি খক্তনা রাজ্য অসিদা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি হায়না দিপ্যুতি সি.এম. লোসি দিখোনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা দ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরি।

পাউ অসি গানফিউ মেলদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

চেকশিন হৌদ্রবদি লোক্তাক পাৎকী মপুন্সি তেনশিল্লগা খুল ওনখিবা য়ারি হায়বা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরগী ইদিসনগী এনকর কলমদা ফোংলি।

------